
# হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ রামফল

— ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার সিংহ —

সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইনষ্টিটুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ









CUSTARD APPLE ICE CREAM

**সিতাফল পাম্বীগী** মতাংদা নৈনজখ্রবা মতুংদা রামফল হায়রিবা পাম্বী অসি অমুক নৈনদুনা য়েংসি। রামফল হায়রিবা পাম্বী অসি ইংলিসতা কসটার্দ এপল (Custard apple) নৎত্রগা ৱাইল্ড স্যুইটসোপ্স (Wild Sweetsops) নৎত্রগা বুলস হার্ট (Bull's heart) নৎত্রগা বুলোকস হার্ট (Bullock's heart) নৎত্রগা ওক্স হার্ট (Ox heart), হিন্দিদা রামফল (Ramphal), স্পেনিসতা এনোন (Anon) নৎত্রগা রিনোন (Rinon), ফ্রেন্সতা কোৱর-দি-বৌওফ (Coeur de boeuf), পোর্টুগীজদা কোরাকাও-দি-বোই (Coracao de boi), ক্যুবাদা মেমোন (Mamon) নৎত্রগা চিরিমোয়া Chirimoya), ইন্দিয়ন কেরিবিয়ান্দা এলাকেলিয়োৱা (Alacalyoua), ফিলিপিন্সতা সারিকায়া (Sarikaya), মালায়াদা নোনা কাপ্রি (Nona Kapri) নৎত্রগা লোনাঙ (Lonang), থাইদা নোই-নোং (Noi-nong), কম্বোদিয়াদা মো বাট (Mo bat), লাওসতা খান তুৱা লোত (Khan tua lot), ভিয়েটনামদা বিন-বাট (Binh bat), ইন্দিয়াগী অতোপ্পা মফম খরদা মোনা (Mona) নৎত্রগা লুভুনি (Luvuni), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা *এন্নোনা রেটিকুলাতা (Annona reficulata Linn.)* নৎত্রগা *এন্নোনা লুটিসেন্স (A. lutescens Saff)* নৎত্রগা *এন্নোনা এক্সেলসা (A. excelsa Kunth)* নৎত্রগা এন্নোনা লেভিস *(A laevis Kunth)* নৎত্রগা *এন্নোনা লোঙ্গিফোলিয়া (A longifolia Sesse & Moc)* নৎত্রগা *এন্নোনা রিপারিয়া (A. riparia Kunth)* হায়না কৌই অমসুং *এন্নোনেসী (Annonaceae)* শাগৈগী মনুং চল্লি।

রামফল পাম্বী অসি ফুট ২৫ ফাওবা ৱাংবা মনা পুঙবা অমসুং মতম পূম্নমক্তা শংদুনতা লৈবা নৎত্রগা মনা কেনগনবা অপীকপা উ পাম্বী অমনি। পাম্বী অসিগী মনা অসি মরাক চপ্লগা সেন্টিমিটর ২০ ফাওবা শাংই অমসুং সেন্টিমিটর ৭ ফাওবা পাকই। লৈ অসি হঙ্গাম মপাল চঙলপ তৌনা শংই অমসুং চবুন ওইনা পাল্লি। পাম্বী অসিগী মহৈ অসি হার্টকী মওং মাল্লি।

পাউদম অমগী মতুং ইন্না রামফল পাম্বী অসি ময়ায় থংবা অমেরিকা অমসুং কেরিবিয়ানগী লমদমশিংদগী হৌরকখিবনি। পাম্বী অসি ঙসিদি ত্রোপিকেলগী ওইবা শারপ তৌবা মালেমগী অয়াম্বা মফমশিংদা পাক শন্না থান্নখিদুনা মহৌশাগী ওইবা মওংদা হৌখ্রে। রামফল পাম্বী অসি ইন্দিয়া, বংলাদেশ, পাকিষ্টান, আফ্রিকা, টাইৱান অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী সমুদ্র ঈমায়দগীনা মিটর ১৫০০ ৱাংবা মফমশিংদা য়াম্না চুশিন্ননা থানৈ। পাউদম অমগী মতুং ইন্নদি রামফল পাম্বী অসি ৱেষ্ট ইন্দিজদগী হৌরকখিবনি হায়না পাউদম্লবসু পাম্বী অসি মফম অদুদা য়াম্না ঙল্লিনৈ মতমদগী পুশিন্দুনা থাখিবনি হায়রি।

য়াম্না কুইরবা মতমদগী রামফল পাম্বী অসি পেরু অমসুং ব্রাজিলদা থাদুনা লাক্লি। তরাতরেৎশুবা চহীচা হৌগৎলকপদা রামফল পাম্বী অসি খা আফ্রিকাদা যূমগী অকোয়বদা হৈ-রা পাম্বী অমা ওইনা থাদুনা লাকপগী পাউদমসু লৈ। ইন্দিয়াগী মনুংদা রামফল পাম্বী পাক শন্না থাবা মফম অসি ৱেষ্ট বেঙ্গলনি। মহারাষ্ট্রদসু রামফল পাম্বী অসি পাম্না থানৈ।

ময়ায় থংবা অমেরিকা, মেক্সিকো অমসুং ৱেষ্ট ইন্দিজদা রামফলগী মহৈ অসি য়াম্না পাম্না চানৈ। অমুনবা মহৈগী মতোং অদু চিনি অঙৌবা খরা হাপ্তুনা পাম্না চানবগী মথক্তা আইস-ক্রিম শাবদসু হাপ্নে। শঙ্গোমগা অমুনবা মহৈগী মতোংগা থীৎলবা য়াম্না হাওবা মহী অমসু শেম্নে। কেক শাবদসু রামফলগী অমুনবা মতোং অদু হাপ্নে। রামফলগী অমুনবা মহৈদা চিঞ্জাক্কী ওইবা মগুণশিং অসি থোইদোক হেন্দোক্না য়াওই। মদুদা য়াওবা মরু ওইবা চিঞ্জাক্কী মগুণশিং অদুদি - গ্রাম ১০০গী মনুংদা ইনর্জি অসি কিলো কেলোরি ১০১, কার্বোহাইদ্রেট গ্রাম ২৫.২, ফেট গ্রাম ০.৬, প্রোটিন গ্রাম ১.৭, ভিটামিনশিংগী মরক্তা থীয়ামিন মিলিগ্রাম ০.০৮, রাইবোফ্লেভিন মিলিগ্রাম ০.১, নিয়াসিন মিলিগ্রাম ০.৫, পেন্তোথেনিক এসিদ মিলিগ্রাম ০.১৩৫, ভিটামিন সী মিলিগ্রাম ১৯.২, মিনরেলশিংগী মরক্তা কেলসিয়ম মিলিগ্রাম ৩০, আইরন মিলিগ্রাম ০.৭১, মেগনেসিয়ম মিলিগ্রাম ১৮, ফোসফোরস মিলিগ্রাম ২১, পোটাসিয়ম মিলিগ্রাম ৩৮২, সোদিয়ম মিলিগ্রাম ৪ অসিনচিংবনি।

পাউদম অমগী মতুং ইন্না রামফল পাম্বীগী মনাদগী অমুবা নৎত্রগা হীগোক মচুগী মচু শঙনবা মহী অমা শেম্বা য়াই। হায়রিবা মনা অসি শাগী মউনদগী শউন শেম্বদসু শীজিন্নে। রামফল পাম্বীগী উশাদগী লৌবা মশিং (ফাইবর) অসি সিতাফল পাম্বীগী মশিংদগী হেন্না মপাঙ্গল কল্লি। রামফল পাম্বীগী উ অসি হঙ্গাম মপাল মচু চঙলপ্পা মহুৎ (গ্রেন) অদু য়াম্না কুপ্পী অমসুং মপাঙ্গল য়াম্না কন্দুনা ষণপোৎ খোইনবা লাঙ্গোল শাবদা য়াম্না খুদোং চাহল্লি। হীদাক ওইনা রামফলগী মনা শুগাইরগা লৌবা মহী অদু মহীক মতাং কয়ামরুম হাৎপা ঙম্মী। মনা অদু শুগাইরগা শেম্বা অনঙবা মচল অদু থোমদুনা নাই চাবা, চাথৎপা অমদি উনশা চেকখাইবা অসি লায়েংনৈ। রামফলগী মমুন ফাদ্রিবা মহৈ অদু পানা শোইরগা কংহল্লবা মতুংদা ঈশিংদা লোন্দুনা শেম্বা মহী অদু পীথক্তুনা খোঙ হামথবা অমসুং ঈতোন ফাইবদসু হীদাক ওইনা শীজিন্নে। রামফল পাম্বীগী মরা অদু শুগাইরগা শেম্বা মলম অদু য়াখোঙদা থোম্বদা য়া চিকপা-নাবা তৌবদু ফহনবগী পাউদমসু লৈ। অঙাংগী পূক্লুংদা তীল লৈবদসু পাম্বী অসিগী মরা শুগাইদুনা লৌবা মহী অদু পীথক্তুনা লায়েংনৈ। রামফলগী মনা শুগাইদুনা লৌবা মহী অদু কোক্তা লৈবা হীক (লাইস) অসি হাৎপা ঙম্বগী পাউদমসু লৈ। পাম্বী অসিগী মরূ, মনা অমসুং অনৌবা মহৈ অদু তীল-কাঙ হাৎপা ঙম্মী।

# মীতৈ/মৈতৈবু দোক্যুমেন্ট অমত্তা য়াওদনা জেনরেল কেটাগোরিদা চিংহনবা কন্সটিট্যুসন্না য়াদে

**Dr. Th. Suresh Singh, MD.**
**Ex-Director, Health & WHO fellow**

**এস টি দিমান্দ কম্মিটিনা** ঐগী ইন্টরভিয়্যু লৌখ্রে। ঐগী অচেৎপা ওপিনিয়ন অদু পীজখ্রে। হায়রিবসি ন্যুজপেপর, আই এস টি ভি, ইম্পেক্ট ন্যুজশিংদা য়াওখ্রে। অদুম ওইদুনসু মদুগী সবষ্টেন্স অদু ঐগী ওপিনিয়ন মেকরদা মীয়াম্না হেন্না পানবা অমদি ফোলো অপ অমা ওইনা থমজনীংই।

**ওরিজিন :** মীতৈ/মৈতৈ অমদি অতৈ ত্রাইবশিংসি খঙগে হায়রবদি মসিগী হৌরকফম থিবা তাই। হৌরকফম খঙনবগীদমক্তা হিষ্টরিগী চেনা ফাকৎপা তাই, অদুগা হিষ্টরি খঙগে হায়রবদি জিওগ্রাফি অমসুং অর্কিওলোজিনা ফংলকপশিং থিবা তাই। অর্কিওলোজিনা ফংলকপশিংনা হায়রিবদি (লাইরিক/অইবা কয়া লৈরে), মণিপুরগী চীংশিংসি হৌজিক্তগী পারগা চহী ৮০-৯০ মিল্লিয়ন লীরবনি। অদুগা তম্পাকসিনা ৪৩-৪৮ মিল্লিয়ন বি পি (বিফোর/প্রজেন্ট) লীরবনি। আইস-এজগী মতমদা তম্পাকশিংদা য়ু-সেপতা পাৎ কয়া লৈরম্মী। অদুগা মদু য়েরুম মওং মানবা অশাংবা পাৎ অমা ওইনা ওন্থোকখি। হায়রিবা পাৎ অসি ইম্ফাল তুরেল অমদি মসিগী মশা ৯না চেন্থরকপা লৈনাংশিংনা ফুনজিন্দুনা হৌজিক্কী তম্পাক অসি ওইহনখি। ঐখোয়গী ফজরবা লোক্তাক অমদি অতৈ পাৎশিংসি হান্নগী অচৌবা পাৎ অদুগী লেমহৌবা শরুকশিংনি।

অর্কিওলোজিনা হায়রিবনা হৌজিক্তগী চহী ৩০-৪০,০০০গী অদুৱাইদগী মীওইবা ফুরুপশিংনা চীংগী গুহাশিংদা খুন্দাবা হৌরকখি। খুন্দাশিং অদুদি নোংপোক কৈথেলমানবী (সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট), সাংবু (চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট), খাংকুই (উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট), থারোন (তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট) কী গুহানচিংবনি। হায়রিবা মীওইশিংসিনা তপ্না তপ্না তম্পাকলোমদা চৎতুনা অমুক খুন্দাখি। হায়রিবসি ঐখোয়গী পুৱারী কয়ানা শাখিনি। অদুনা **চীংমী অমদি তম্মী**শিংসি হৌরকফম অমত্তনি অমদি মচিন-মনাওনি হায়বসি **মশানা তাজবনি। খৃষ্টান অমদি হিন্দু** লাকপদু আ কোন্নথংদনি, মদুগা এস টি/এস সী/জেনরেল কেটাগোরিগা **মরী অমত্তা লৈনদবনি।**

**হিষ্টোরিকেল ফেক্টস :** ঐখোয়না পুৱারীগী লমাই ফাক্তুনা য়েংলবদি, চীংমীশিংনা কংলা কিংদমদা পূনশিনবসি ৫০০ এ দিদগী হৌরগা ১,৩০০ এ দিগী তঙ্খাই চনবা অদুৱাইদা পুমলোই লোইরে হায়বসি কনা অমনা হেক্তা থেংনবীগনি। ১,৪০০ এ দিগী তঙ্খাই চল্লকপা অদুৱাইদা নিংথৌ নিংথৌখোম্বনা মোইরাং লৈবাক লৌশিনবগা লোয়ননা হায়রিবা পূনশিনবগী থবক্তু পুমলোই লোইখি। অদুগা হৌজিক ওইরিবা গিওগ্রাফিকেল বাউন্দরি অসি মপূং ফাহনখি। মসি পুৱারীনা শাখিনি অমদি কনা অমত্তনা শিংনবা ঙম্লরোইদবনি। অদুগা মসিমসু পুৱারীগী লেংদ্রবা শাখিনি মদুদি গম্ভির সিংহগী ২৮/১২/১৮৩২দা হৌখিবা চয়োল ৯ চৎনা ফাওরবা খেপুমৈ (প্রজেন্ট কোহিমা) কেম্প্যেন অদুনা কোহিমা অমসুং অকোয়বদা লৈবা মফম ময়াম লৌশিল্লম্মী, অদুগা দোয়াং অমসুং ধানসিরিগী মরক্তা লৈবা অশুকপা উমংশিংনা মণিপুরগী সিমানা ওইরম্মী। গম্ভির সিংহনা নাগা হিলস পূম্বা লৌশিনবা পাল্লম্মী, অদুবু বৃটিশনা মখোয়গী ললোন-ঈতিক্তা ইন্টরেষ্ট শোক্লক্কনি খনবদগী মদুদা য়ারমদে। হায়রিবসি বৃটিশ মচানা ইবা লাইরিকশিং অমদি ঐখোয়গী রোয়ল ক্রোনিকলশিংদা প্রমান ওইনা ইদুনা লৈরবনি। হায়রিবা সিমানাসি চহী ৪২ হায়বদি চন্দ্রকীর্ত্তিনা ফাওরবা jiri dorbwied ১১/০৮/১৮৭৪দা বৃটিশ ভাইসরোয় লোর্দ নোর্থ-ব্রুক্তা (ভাইসরোয়গী য়াচটতা) লমশিংসি পীথোকত্রিবা ফাওবা। চন্দ্রকীর্ত্তিনা মসি পীথোক্লমদ্রবদি নাগা হিলসকী খা থংবা স্লোপতগী খুন্দারিবা নাগা ইচিন ইনাওশিংগা হৌজিক্কী মণিপুরগী ইচিন-ইনাওশিংগা নুংশি-চান্ননা ইচিন-ইনাও ওইনা লৈমিন্নরমগদবনি। ঐখোয়সি কয়াদা লাইবক থীবনো! হৌজিক্কী নাগা ইন্টিগ্রেসনগী ৱাথোক অসি য়েংলুরগদি চন্দ্রকীর্ত্তিদু কয়াদা পংজবা অমদি কয়াদা চমজবনো!

**ত্রাইব হায়বসি করিনো? :** মখোয়সি হান্নদগী লৈরক্লবা, হান্নদগী খুন্দারক্লবা মীওইশিংদুনি। মখোয়সিবু নেটিভ পিপল হায়নসু কৌনৈ। ইন্দিজিনস পিপল, এবওরিজিনেল পিপল, প্রিমোদ্রেল পিপল, প্রিমিটিভ ত্রাইব, ত্রাইবেল পিপল, অধিবাসিসনচিংবসি তোঙান তোঙানবা মীঙৈনি। টি ঐচ রঞ্জিৎনা জন্যুৱারী ১০, ২০১৮দা ইবা আর্টিকল অমদা মসিগী সুপ্রিম কোর্ট অমদি আই এল ওগী দিফিনিসনসু তাক্লি। মানা হায়বগী মতুং ইন্না, ৫/০১/২০১১ সুপ্রিম কোর্ট জজমেন্টনা হায়রিবদি *"the present scheduled Trives of India are the descendents of the original inhabitants, indigenous people or Adivasis of the country and constitute 8.6% of the total population of the country, and one of the most marginalised and vulnerable communities..." ILO convention No. 169 of 27/06/1989* গীনা *"community which follows the old traditions, cultures and way of life of their forefathers would be treated as permanent trival society".* ইন্দিপেন্দেন্ট মমাঙ অমসুং মতুংদা তৌখিবা সর্ভে রিপোর্ট কয়ানা মৈতৈশিংবু ত্রাইবনি হায়দুনা পল্লি। বৃটিশ মচানা ইবা gazetteers অমদি লাইরিক কয়াদা (মণিপুরগী পোলিটিকেল এজেন্টশিং য়াওনা) মীতৈ/মৈতৈশিংবু ত্রাইবনি অদুম হায়। গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুর/ইন্দিয়াগী লাইরিক পূম্নমক্তা মণিপুরসি ৩৩/৩৪/৩৫ ত্রাইবশিংনা খুন্দাবা লমনি পল্লি।

অদুনা, মীতৈ/মৈতৈশিংসি ইহান হান্না খুন্দারকপা ত্রাইবেল মীওইশিংনি হায়বসিগী লেংদ্রবা প্রুভতি (১) মথক্তা পনখ্রিবা গিওগ্রাফি+অর্কিওলোজিদগী ফংলকপশিং য়াওবা হিষ্ট্রিগা ইরোয়ননা ফোল্কটেলস, ত্রেদিসন্স, কষ্ট্যুমনচিংবা (২) বৃটিশ, ইন্দিয়ন অমদি মণিপুরীশিংনা ইবা (ইন্দিপেন্দেন্ট মমাঙ অমসুং মতুং) gazetteer অমদি লাইরিকশিং (৩) সেন্সস রিপোর্ট ময়াম (৪) মথক্তা পনখিবা সুপ্রিম কোর্টকী রুলিং (৫) মথক্তা পনখিবা আই এল ও দিক্লারেসন অমসুং (৬) GOI/GOM গী পব্লিকেসন ময়ামশিং।

**মীতৈ/মৈতৈশিংবু কনানা জেনরেল কেটাগোরিনি লাউথোকখিবগে?** মসি অইবনা ইন্টিলেকচ্যুএল কয়াদা (এস টি দি সীগী ঈ সী মেম্বরশিং য়াওনা) হংদুনা লাক্লি। ফংলকপা পাউখুমদি - মীওই ২/৩না শাবা কম্মিটি অমা শেমখি, মখোয়না জেনরেল কেটাগোরিদা য়াওনবা রিকমেন্দ তৌখি মর্জর মতুংদা। মীতৈ/মৈতৈবু জেনরেল কেটাগোরিদা চল্লে হায়দুনা লাউথোকপা ওফিসিএল রেকোর্দ অমত্তা লৈতে। কম্মিটিদুনা রিকমেন্দ তৌরবা ফাওবা মদু অচুম্বনি হায়না লৌবা য়াদে। মরমদি মদু মীয়ামগী মেন্দেট য়াওদে অমদি মীয়ামগা নৎত্রগা মখোয়গী মীহুৎশিংগা তান্নরম্বা নত্তে।

Article VIII (3) of Merger Agreement of 1949 না হায়রিবদি *"...They (meaning Dominion of India) also undertake to preserve various laws, customs sand conventions prevailing in the state pertaining to social, economic and religious of the people".* অদুনা মীতৈ/মৈতৈশিংবু দোক্যুমেন্ট অমত্তা য়াওদনা জেনরেল কেটাগোরিদা চিংহনবা কন্সটিট্যুসন্না য়াদে; মসি মর্জর এগ্রীমেন্টকী আর্টিকল VIII (3) গী মায়োক্তনি। প্রী-মর্জর অমসুং প্রী ইন্দিপেন্দেন্ট মতমদা মণিপুরী পূম্নমক (হৌজিক্কী ত্রাইবস/কাষ্ট লোইনমক) কাষ্টলেস সোসাইটি ওইরম্মী। ঐখোয় লোইনমক হৌরকফমনি অমত্তনি অদুগা ত্রাইবসু অমত্তনি।

**এস টি দি সীনা করি তৌবিবা তাই ? :** অহানবদা, মর্জর অমদি ইন্দিয়ন ইন্দিপেন্দেন্স মমাঙদা ঐখোয়গী ৩৫-৩৭ হান্নদগী লৈজরক্লবা ত্রাইবশিংসি হৌরকফম অমত্তনি, কাষ্টলেস সোসাইটি ওইরম্মী হায়বসি তশেং তশেংনা হায়বীবা তাই। অনীশুবদা, মীতৈ/মৈতৈগী সেক্সন অমবু বেসিস অমত্তা য়াওদনা জেনরেল কেটাগোরিনি হায়বসি কন্সটিট্যুস্নেল্লি লাল্লি, অদুগা লিগেল দোক্যুমেন্টসু লৈতে হায়বীবা তাই। অহুমশুবদা, মসি মথক্তা পনখ্রিবা মর্জর এগ্রীমেন্টকী আর্টিকল VIII (3) গী মায়োক্তনি হায়নসু পল্লি/তাই। হায়রিবা মরম অহুমসি প্রাইমারি রিজনশিংনি। মথক্তা পীখিবা (১)-(৬) অদুনা সেকেন্দরি রিজন ওইহনগদবনি। কম্মিটি অসিনা এস টি ক্রাইটেরিয়ানচিংবগী ৱাফম থোক্তে। মরমদি মদু মথৌ তাদে। ঐখোয়না কল্লবা সমুদ্রগী ঈথক্তা ইরোইনবা হোৎনরোইদবনি অমদি লুরবা terrain দা লম্মাক্লহল্লোইদবনি।

মণিপুরীশিংসি নেগোসিএসন হৈতবা কাঙবুনি। হিষ্টোরিকেল ফেক্টস অমদি লিগেল হিষ্ট্রি য়াওবনা টোপিক অমা প্রজেন্ট তৌবা হৈতে। ঐখোয়না তঙ্খাই অমতং খঙই অদুগা মমুৎ তানা পাবা এনালাইসিস তৌবা অমদি ইবগী হেবিট লৈতে। মসিনা মরম ওইদুনা ঐখোয়না কবো ভেল্লি মাঙজখি; ইন্টরনেল ওটোনোমি অমদি মখা তারক্কদবা ফ্রীদমক মাঙজখি। ঐখোয়না মতিক চাজদবা অদুনা ঐখোয়গী মমল য়াল্লবা লিগেল হিষ্ট্রি দষ্টবিন্দা থাদদুনা থল্লি। নহাক্কী ওপিনিয়ন মেকর অসিনা এস টি দি সীবুদি মসিদগী তোঙানবা অমনি খঞ্জরি। হায়রিবা ফেক্টশিংসি ঐখোয়গী লেজিসলেচর/পোলিটিকেল পার্টিশিংদা, পি এম ও ওফিস, দেল্লিদা লৈবা অতৈ পোলিটিকেল পার্টিশিংগী লীদরশিংদা খঙহনবা তাই। এস টি দি সীনা লিগেল ওপসন ফাওবা খন্নবা য়াই। বেষ্ট ওফ লক।

ঐখোয়গী সোসাইটিগী সেক্সন অমবু এস টি/এস সীনচিংবা হায়দুনা খায়দোকপা অসি কাঙলূপ মশেল নুংশিহন্দনবনি অমসুং নুংশিনহন্দবা ওইহল্লি। প্রী-মর্জরদা লৈজরম্বা কাষ্টলেস সোসাইটি অমদি মদুগী তারকপা ওইনা ওরিজিনেল ত্রাইব অমনা ফংফম থোকপা কান্নবশিং অদুগীদমক্তা ঐখোয়না ফাইট তৌগদবনি। ইন্দিপেন্দেন্ট জি ও আই অসিদি বৃটিশকী ‘দিভাইদ এন্দ রুল’ পোলিসি অদু অদুম তৌদুনা লাক্লি। মসি ঐখোয়না ফাইট তৌগদবনি, মরমদি মসি ঐখোয়গী কন্সটিট্যুসনেল রাইটনি।

## মরোল থোকপা লাই

